ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯳꯰, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯲꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, জুলাই ৩০, ২০১৯, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ১২২শুবা মশীং

## নাগালেন্দদা আর আই আই এন চৎনহন্নবা থৌরাং

### এন এস সী এন-আই এমগী থৌরাং অরেন্বা তাবগী ফীভমদা লাক্কদৌরিব্রা

রেজিষ্টর ওফ ইন্দিজিনস ইনহেবিটেন্টস ওফ নাগালেন্দ (আর আই আই এন) চৎনহন্নবগী মতাংদা মথৌ তাবা থৌরাংশিং য়েংশিন্নবা মীওই অহুম্না শাবা কম্মিটি অমা শেমখ্রে। হৌখিবা থাংজ নুমীৎতা নাগালেন্দগী চীফ সেক্রেটরি টেমজেন টোইনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না রিটায়র্দ আই এ এস ওফিসর বানুও জেদ জামিরনা কম্মিটিগী চ্যেরমেন ওইরগনি। রিটায়র্দ আই এ এস ওফিসর টি কিহেটো সেমা অমসুং সী শিংৱাং কোনয়াকনা মেম্বরশিং ওইরগা রিটায়র্দ জষ্টিস জেলরে অঙ্গামিনা এদভাইজর ওইনা হাপখি। হোম কম্মিস্নর অমসুং লো এন্দ জষ্টিস কম্মিস্নরনা কম্মিসনগী এক্স-ওফিসিও মেম্বরশিংনি। জুলাই ১৭ অমসুং ২০দা মথংশীৎনা কোহিমা অমসুং চুমুকেদিমাদা পাঙথোকখিবা কন্সলটেটিভ মীটিংদা ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা ট্রাইবেল বোদি অমসুং সিভিল সোসাইটি গ্রুপশিং লোয়ননা ফুরুপ কয়াগী মীহুৎশিংনা নাগালেন্দদা য়েলহৌমীশিংগী লিষ্ট অমা ফোঙনবগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি। কনা-কনাবু নাগালেন্দগী অশেংবা য়েলহৌমী ওইনা লৌগদগে অমসুং করম্বা চে-চাংদা যূম্ফম ওইগদগে হায়বনচিংবা কম্মিসনগী টর্ম ওফ রেফরেন্সনচিংবসু মীফম অদুদা কুপ্না খন্নখি। জুন ২৯দা ষ্টেট লৈঙাক্না নোটিফিকেসন অমা থোক্লবা মতুংদা শেমখিবা মীওই অহুম্না শাবা কম্মিসননা থা অহুমগী মনুংদা মপূং ফাবা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্কদৌরি। হীরম অসিগী মতাংদা ওর্গনাইজেসন অয়াম্বা লৈঙাক্কী থৌরাং শৌগৎলবসু নাগাশিংগী এপেক্স সোসল ওর্গনাইজেসননি হায়রিবা নাগা হোহো অমসুং নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম -আইসাক মুইভা (এন এস সী এন-আই এম)না য়ানিংদবা ফোঙদোরকখি। নাগা হোহোনা হায়রিবদি মণিপুরগী নাগা কয়ামরুম নাগালেন্দদা খুন্দারিবা মরম্না আর আই আই এন চৎনহল্লকপা মতমদা নাগাশিংগী মরক্তা নাকপাক তাহল্লগনি হায়বসিনি। অমরোমদা, এন এস সী এন-আই এমনা হায়, নাগা খূদিংমক য়েলহৌমী ঙাক্তনি। চোইনা খুন্দাখ্রবা নাগাশিং এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট অমগী মখাদা পূন্না লৈমিন্নবা হায়বসি নাগা খূদিংমক্কী মরম চাবা রাইটনি। খূৎশেমগী ওইবা ঙমখৈ নৎত্রগা পল অমা শেন্নকপা মতমদা নাগাশিংনা য়াবা ঙম্লোই হায়নসু এন এস সী এন-আই এমনা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা নাগালেন্দ গভর্ণরমন্টনা আর আই আই এন শেম্নবগী মতাংদা মতীক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লি। মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েংখাদা ষ্টেটকী মফম পুম্নমক্তা সর্ভে চৎথরগা ফোঙলক্কদৌরিবা আর আই আই এনদা মমিং য়াওদবা মীওইশিং নাগালেন্দগী অশেংবা য়েলহৌমী ওইনা লৌরোইদৌরি। আর আই আই এনগী প্রোভিজনেল লিষ্ট খুঙ্গং অমদি ৱার্দ খূদিংমক্তা ফোঙলবা মতুংদা সেপ্টেম্বর ১১দা গভর্ণমেন্টকী ৱেবসাইটতা ফাইনেল লিষ্ট ফোঙগদৌরি। লিষ্ট অসিদা যূম্ফম ওইরগা নাগালেন্দগী অশেংবা য়েলহৌমীশিংদা বারকোদ অমসুং নম্বর য়াওবা 'ইন্দিজিনস ইনহেবিটেন্ট সর্টিফিকেট' পীরগনি। হান্নদগী চৎনদুনা লৈরবা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম (আই এল পি এস)কী শরুক অমা ওইনা ষ্টেটকী মফম পুম্নমক্তা পায়খৎকদবা থৌরাংনি। হীরম অসিগী মতাংদা এন এস সী এন-আই এমগী পল্লিসিটি ৱিংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নাগাশিং মচোই-মচোই তাহন্নবা অমসুং নাগা ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরকপদা খুরৌ থাংগদবা থৌরাং অসি য়াবা ঙম্লোই। আর আই আই এনগী ফাইনেল লিষ্ট ফোঙখ্রবা মতুংদা নৌনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা ইন্দিজিনস ইনহেবিটেন্টকী সর্টিফিকেট পীররোই হায়রিবা থৌরাং অসিনা নাগা তাবা মফমশিং এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট অমগী মখাদা পূনশিনবা ঙমহল্লরোই হায়রি। কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩ দা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখ্রবা লালহৌলূপ অসিনা নাগা তাবা মফমশিং এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট অমগী মখাদা পূনশিল্লগা 'গ্রেটর নাগালিম' শেম্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি। নাগা মীয়াম মচোই-মচোই তাহন্নবা থৌরাং য়াবা ঙম্লোই হায়না পল্লদুনা এন এস সী এন-আই এমনা হায়খি, কুমজা ১৯৬০গী জুলাই ২৬ তা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা পোইন্ট ১৬কী এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনবদা য়াওখিবা কাঙবুনা লন্নাইগী খূদোংচাগদবা মওংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা নাগা মীয়ামগী রাইট ফংবা ঙমহল্লরোই। নাগা হোহো অমদি এন এস সী এন-আই এমনা য়ানিংদবা ফোঙদোকচরবসু নাগালেন্দ লৈঙাক্নদি আর আই আই এন চৎনহন্নবা অচেৎপা ফিরেপ লৌরি। ফীভম অসিদা নাগা তাবা মফমশিং এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট অমগী মখাদা পূনশিনগদবনি হায়বা এন এস সী এন- আই এমগী থৌরাং অরেন্বা তাগদৌরিবরা নৎত্রগা লূপ অসিনা করি-করম্বা থৌরাং লৌখৎলকপগে হায়বদু য়েংবা তাবনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### সী এম ঐচ টি করি-করম্না ফংগদবনো?

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

চীফ মিনিষ্টর হকশেলগী তেংবাঙ অমসুং প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা যোজনানা লৈবাকসিগী মীয়ামদা পীরিবা কান্নবশিংগী মতাংদা মীয়ামগা পূন্না ৱাখল তামিন্নদুনা লমদম অসিগী লায়রবা মীওইশিংনা অৱাবা তারবা মতমদা খরদং ওইরবসু লৈঙাক (সী এম) কী মায়কৈদগী তেংবাঙনি হায়দুনা থম্বীরিবা স্কিম অসিবু কনা-কনানা ফংলিবা, কনা-কনানা লৌরিবা মুন্না থিদোকপীয়ু।

ৱাহৈদদি য়াম্না ফজখ্রবা..., এৱেয়রনেস থৌরম অমা হৌখিবা জুলাই ২, ২০১৯ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অমগী রিছোর্স পার্সন ওইবিখিবা দেপ্যুটি দিরেক্টর, হেলথ সার্ভিস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা থম্বীখিবা য়াম্না ফজবা ৱাফমদা সী এম ঐচ টি স্কিমগী কার্দ পায়রবসু কান্নবগী মতেংদি লৌবা হৈত্রে হায়না ফোঙদোকপীখি। থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইবিখিবা দিরেক্টর হেলথ সার্ভিস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা স্কিম অসি খুঙ্গংগী মনুং হঞ্জিনবা মীপূম খুদিংদা কান্নবা ফংহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না তাকপীখি।

মতাং অসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি, প্রাইভেট হোস্পিটাল খরদদি লায়েংবশিংদা স্কিম অসিগী কান্নবা ফংখ্রে। অতোপ্পদা লৈরিবা হোস্পিটালশিংনা করম করম্না তৌবিরিবনো? থা ৩ ফাজিল্লবা ফাওবদা লুপা ১ ফাওবা হন্দোকপীদ্রি। লমদম অসিগী মমিং লৈরবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা মে ৭তগী ১১, ২০১৯ ফাওবা অনাবা লায়েংখিবা মীওই অমগী লায়েংবা মতমদা লুপা লিশীং য়াঙ্খ্রে হান্না থম্বীয়ু! হায়বদগী খুদক্কী ওইখিবনা অথুবগী শেলফম লুপা লিশীং ১৫ অসি থল্লগা আই সী য়ুদা লৈদুনা লায়েংখি। নোংঙাল্লগা অৱাৎপা শেনফম লুপা লিশীং ৩৫ হাপ্পীয়ু হায়রকখি। মতম অদুদা ঐনা চীফ মিনিষ্টর হকশেলগী তেংবাঙ, হোস্পিটালসিগী লৈতবরা হায়না হংজবদা, অদুদি কার্দ পায়বিবরা হায়রকপদা কার্দতি পায়, কার্দ পায়বা ওইরবদি শেল থমদবা য়াররনি হায়বদগী অৱাৎপা শেল মখা তানা হাপ্পদরে। অদুগা নুমিৎ ৫নি শুবা মে ১১দা চৎপা য়ারগনি, অৱাৎপা শেল শেংদোকপীরো হায়রকখি। মদুদা ঐহাক্না সী এম ঐচ টি স্কিম অদুগী তেংবাঙ করম তৌবনো হংবদা কোন্না লৈঙাক্না থারক্লগা ঐখোয়না অমুক হন্দোকপীনি হায়না তাকপীরকই। মসিনা মরম ওইরগা সী এম ঐচ টি অসিগী কান্নবা করিনো?

মখা তানা থমজনীংবদি, খুদক্কী ওইরিবা লায়েংবা চথুরিঙৈদা ফংবা তেংবাঙ অসিবু অৱা অনাগী মতেং পাংবা কৌই। কোন্না পীবা অদুদি ইপা-ইপুগী য়াওশঙ মতুংদা অবের থুংলে হায়বা পাউরৌনি। হৌজিক জুলাই থা লোইরে হায়বা য়ারে। লায়েংখিবা থাদু মে ৭তগী ১১, ২০১৯ ফাওবনি, থা ৩ ফাগদৌরে। হোস্পিটালগীদি লৌফম থোকপা লৌখ্রে, ফংগদৌরিবা চীফ মিনিষ্টর হকশেলগী তেংবাঙ কনাদা পীগদৌরিবা, মীয়ামদা খঙহনবীয়ু হায়না থমজরি।

*অদোমগী - শগোলশেম ইবোপিশক মৈতৈ*

*মাইবম কোঞ্জিল, ময়াং ইম্ফাল*

## মোলিক্যুলগা থেংনরুবা মীৎকুপ্তা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৫৬১

জিতেন নামৈরাকপম

নহানগী নুংথিল অদু পুং অমগুম্বা তারম্লনি খল্লি। থবক অমা চৎলুবগী হল্লকপনি ডা. লমাবম কমলগী পোকফম লংথবাল কুঞ্জ অৱাং লৈকায়দা। লন্নাই থবক অমগীনি। কাঞ্চিপুর য়ৌরুবদা হেক্তা নীংশিংহল্লি, 'মাধবী'। পিকক্রু পিকপা কাপমুক্তং শাংবা নোবেল মচা অদু ওন্থোক্লা মগুণ লৈখি। নহা ওইরিঙৈদা মাধবী পারুবদা পুমঙাউ ঙাউখি। হৈবোক চীংগী দৃশ্য, চন্দ্রনদি, লৈহাউ পাম্বী, বিরেন, ধীরেন, উরিরৈ, মাধবী, ভুবোন... মথং-মথং চিংথোরকই। মাধবী, লৈ পরেং, ব্রোজেন্দ্রোগী লুহোংবা, দেবজানি লাইরিক খজিক্তং ইরম্বা দিব্রুগর অসামদা এম বি বি এস তম্লকপা ডাক্তর কমল মমিং শেগাক কায়না ফাওখি। লাইরিক ৩০ হেন্না ফোঙলগা শুকফাও ফাও হায়বা য়াদবা নম্ফুদা কবি মীংথোল পীবিবা অইবা কয়াসু লৈ। মীনা ইপাদি পাবিদবা! শুপ্নতগী মাধবীখক্তনা অতিয়া য়ৌনা থাঙ্গৎখিবা কমলগুম্বা অইবা অতাঙবনি। মরৈ য়াম্না য়েৎনখি। উরিরৈ মীংথোল পীরম্বনা চান্নগনি খল্লি, নত্তে লাল্লি মাধবী থোনবীরম্বদু চপ চারবনি। অওক-অথোম য়াম্না তৌনখ। মাধবীগী ৱারীদি ইয়াও য়াওদে, উরিরৈগী মতাংদদি চাদা ৮০ রোম ইরম্মী। নত্তেনে, মাধবীগী নুংশিবা মীয়ামদা কৎথোকপা ঙম্বা, মপাং কায়নদুনা হৈবোক চীংদা লম্বোইবী ওইনা লোৎতুনা লৈখিবদু ফজদ্রো? কমলনদি নখোয় মরৈ য়েৎনহৌরো হায়রম্বদি নত্তে। অদুবু অপাবশিংনা য়াম্না য়েৎনখি।

ৱাখল অসি খন্না ঐগী গাড়ী মচাদু থৌরকপনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ম্যেন গেট য়ৌরে। ঐনা মশক খঙবা বিহারি মচা অমা ওটো পার্কিংদা লেপ্লম্মী। মনাক্তা থৌজিন্দুনা খামখ। হংলুই, কদাইদনো, অশানবা যূমদরা? মাসু খুল্লকই, মানি তামো। লাকও লাকও থিনবীরল্লগে হায়দুনা তোংখৎহল্লে। থৌগৎলকই অৱাং পাংনা। থিনবীগদৌরিবসি শিংজমৈ চীংঙা মথক্কী ইমো ফিল্লিং ষ্টেসন মনাক্তনি। অসুম থৌগৎলকই। মাগী অৱাইফম শেল থিরগা লৈফম যূম মপা য়ৌরকপদা হায়রকই- তামো, মোইরাংখোমদা থাদবিরম্মু! মমিংনা প্রবিন কৌই। মীতৈলোন ওন্থোক্লা শেংনা ঙাঙই, মুচি নহা অদু। মোইরাংখোম য়ৌরকপদা খোঙউপ শেম্বা মমান্নবা অমগী ফমফমদা খামহল্লে, কুমথরে। তামো সিগী বোক্সসিদা ঙাইহাক্তং ফম্বীয়ু ঈশিং অঙ্গংবা থকপীয়ু হায়দুনা ঙাইহাক ফমথরে। পরপ-পরপ চেনখিদুনা লুপা ১০ পিবা রিফ্রিজিরেটরদা থম্বা মিনরেল ৱাটর পুরক্তুনা য়াউম খরা থক্লে। ৱাহ! ওন্থোক্লা হাউখ্রে, শারবা নুংশা অদুদা থম্মোয় থুম্না ঈংবোই নীংখি। ফন্নিঙৈদুদা এম্বুলেন্স থাবা ভেন অমা থৌজিল্লক্লগা খংখাম খাম্মী। হাফপেন অঙৌবা শেৎপা, টুপী উপ্পা মী পিক্তক তৌবা অহল অমা কুমথরকই। অদুগা মানা পুরকপা গুলি ষ্ট্রিপ মরি/মঙা পুথোরক্তুনা মুচিদুদা অমমমতা ওইনা পীদুনা তাকই। সিনা লোক থুংবগীনি, অমসিনা কোক চিকপগী, সিনা...। ইচম চম্বা গুলি ঙাক্তনি। এক্সপিয়ারি দেটসি য়েংঙু চহী ২ হেনবা, অমা খরা হেনবা য়াওরি। ডোক্তরগী প্রেস্ক্রিপসন য়াওরগা লৈববুদি ফৈ। অদুদা ফার্মাসিষ্ট অমদা হংলুবদসু পিরক্কদবা হীদাক ঙাক্তনি। ঐনা পীরিবসি লেম্ননি শেল অমত্তা লৌগদবা নত্তে। ৱাৎলবসু হায়রকউ পীগনি। মতৌ অদু উবদা ঐনা খঙনীংখ্রদুনা হংলুই তামো কৌগদ্রা, পাবুং কৌগদ্রা, থৌবিরক্লিবা এম্বুলেন্সসিনা করিনো, মীংগা কোন্ননা খঙজহৌগে, করি করিনো খজিক্তং তাকপীরম্মু হায়জরুবদা হরাউনা নুংঙাইনা খুল্লকখি, পুন্সি ৱারী মতেক খরসু লীবিরকখি।

- ঐগী ইমিং মোলিক্যুল। শিংজমৈগী মোলিক্যুল, নহাক ঐগী মীং অসি অমুক্তা তাখদ্রিবা! ঐনা খংখুম খুমখি - ওহ! ভোট লেপখিবা পাবুং তোম্পোক্কা লম্বা তৌখিবা মমিং য়াম্না চৎখিবদু তামোরা! মানি এটোমগী এলিমেন্ট ময়াম্না পূনশিল্লগা ওইবা মোলিক্যুলদু ঐনি। নোক্লগা হায়রকপনি। জি মোলিক্যুল শর্ম্মা। পুন্সি ৱারী মতেক অমত্তং লীবিরম্মু হায়জরুবদা মশানা কলম, নোট সীট অহাংবা চেনা অনী পুথোরক্তুনা পীরকই। অমুকসু নোক্লগা হায়রকই - ইথরো লীথরল্লগে। মাগী ৱারী হৌরকই।

- কুমজা ১৯৪৫, জুলাই থাংজ নুমিত্তা পোকই। তারিখতুদি হায়বা ঙমদে। মিদ্দল ক্লাসকী ফেমিলিদা পোকপনি। ইচিন ইনাও ৮গী মনুংদা ইচে অনীগী মথংদা ঐহাকনি। ঐগী পাবুং অদু সুরচান্দ শর্ম্মা, আর্ট এন্দ কলচরদা থবক তৌরম্মী। জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী জগোয় গুরুনি। প্রসিদেন্ট এৱার্দ ফংখি। ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ চহী ৭/৮ শুরকপদগী পোলিটিক্স য়াম্না পামজরকখি। পামজরিবসি সোসলিষ্ট, হৌজিকসু সোসল ৱার্কর ওইনা লৈজরি। কুমজা ১৯৭৫দা জেনরেল ইলেক্সন লেপকে খনখি। অদুবু মতম অদুগী এম এল এ থোকচোম চন্দ্রসেখরনা খামজিনবীখি। মণিপুরদা চহী ৩ লোম ঈকং থোকখি। কুমজা ১৯৭৮/৭৯/৮০ অশ্বাইসিনি। লৈকায় মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা ঐনা ইম্ফাল তুরেলদগী পাইপ তিংদুনা পুখ্রি অয়াম্বা ঈশিংতনা থলহনখি। শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকায়, ওক্রম লৈকায়, ময়েংবম লৈকায়, ৱাইখোম লৈকায়, থোঙাম লৈকায়...। সোইবম শামু পুখ্রি অচৌবদা ইহান হান্না ঈশিং চিংদুনা থলহনখি, ইম্ফাল তুরেলদগীনিকো। পুখ্রি পূম্নমক থলহল্লবা মতুংদা চনম পুখ্রিসি পাথোকপমখৈ চিংখি। হৌজিক্কী নহাশিংনদি খঙলরোই মতম অদুগী চহী য়াল্লক্লবশিংদা হংবীয়ু। এক্সিদেন্ট থোকপদগী কুমজা ১৯৭৯গী জুলাই থাদা ওইগী খূৎ শাথিনা শোকখি। কুমজা ১৯৬৪দা মণিপুর কোলেজদা তম্লকই। দেল্লিগী জি বি পোলিটেক্নিক্তা ইলেক্ট্রোনিক্সতা এঞ্জিনিয়রিং দিপ্লোমা তম্লকখি। মণিপুরদা হল্লক্লে। চহী অনী ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টতা থবক তৌরম্মী। ইশানা তম্লুবা মহৈগসু চানদে হায়দনা থবক তোকথোকপনি। অদুবু কুমজা ১৯৭৯-৮০দা ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেট ওইনা মীখল থেংনখি। থেংনখিবশিংদি ইরেংবম তোম্পোক, চন্দ্রসেখর, বিরমনি সনসম, য়াইমা, সুরেন ... অতৈ অমা/অনীদি কাউখ্রে। ভোট কাখিদে।

লাইবক থীবা হায়দুনি। ঐগী পুন্সি অৱাবমক্তনি। ঐগী শক্তাসিসু গুন্দা মানবনি। শমগসি লীচৈ মরূ কক্লদনা মী পিকচরবসু। ঐনা কোয়গে হায়রুবা নুপী অমত্তা য়ারকখিদে। রিমস রোদতা নোংমা চৎপদা থেংনখি বামোন লৈকায়দগী ইকাশীনি। কোয়গে হায়রুবদা থোক য়ারকখি। চেল্লে। লুহোংলে। ইহান হান্না ফংজবা ইচানুপী হার্ট পেসেন্ট ওইনা থা ৬ শুরকপদা রিমস হোস্পিটালদা লৈখিদে। অশিবা হকচাং পুবিনবা এম্বুলেন্স অমত্তা লৈখিদে। ঐনা স্কুটর থৌরগা নুপীনা অশিবা হকচাং অদু কোল্লগা যূম ফাওবা পুরকখি। অনীশুবা ওইনা ফংজবা ইচানুপাসু চহী ৩৮দা লৈখিদ্রে। নুপীসু থ্রোট কেন্সরনা নাদুনা মপামদা লৈখ্রে। ইথন্তা যূমদা লৈহৌরি। ঐগী ফোন নম্বর থেৎলিবসিনি। এম্বুলেন্স লৈ। মতেং পাংজগে। মীয়ামগীদমক ঐ কৎথোক্লবনি। ●

## মীরোল মনাৎ য়োকখৎপগীদমক মনা ফংবা ইকায়জৈ - ১

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লুৱাং

মান্নদবা ফুরুপ কয়াগী মীয়াম মরক্তা মান্নবা ৱাখল্লোননা অফবা খুন্নাই অমা শাগৎপদু চাওখৎপনি হায়নীংই। মসি লন্নাইগী ওইবা ৱাখলদগীনি। মরমদি মালেমগীদা লৈরিবশিংসি ফুরুপ মান্নবা-মান্নদবশিং কয়ানা পূনশিল্লগা ওইবা খুন্নাইসিদা মান্নবা-মান্নদবা মীওই কাঙলূপ কয়াগী ৱাখল্লোনশিং, হিংবগী মওং, হৈনবী লিচৎ, ৱাঙাঙ-শাঙাঙ কয়া লৈবসিদা মান্নবা কয়া য়াওবদগী পূন্না চাওখৎমিন্নবা হায়বসি ওইরকপনি হায়জনীংই। ফুরুপ মান্নরবসু মান্নদ্রবসু, অফবা ইমুং অমা করম্না ওইহনগদগে, মচা-মশু ফনবা করম্না তৌগদগে হায়বসিদি অদুম মান্নফম থোকই। মসিবুনি খুন্নাই খুদিংদা মান্নবা অচুম্বা অফবা হায়রিবসি। মসিগী মতাংদা ময়ামদুগী মরক্তা লৈপাক খুন্নাই অমনা খরা হেন্না মাঙজিল থাবা য়াই। মাঙজিল থাখিবদুনা ফবা সুম হেনখ্রগনি হায়বসিসু থাজনীংঙাইদি ওই। অফবদুগী মতুং ইল্লগে/হেন্না ফনবা হোৎনগে হায়না খনবা খরসু শোয়দনা য়াওরক্কনি। অসুম্না, অমগা অমগা হেন্না ফবা মায়কৈরোমদা চাংদম্নরক্কনি। অদুদগীদি চাওখৎপা হায়বদু ওইরকই। অতৈ মীতৌ তম্লগা চাওখৎনীংবা কয়ানা মীতোপকী খুদুং ইন্নবা হোৎনবদা তঙাইফদনা, মীগী পোৎশক খরা চাওখৎপা পাম্লিবা খরনা লৌশিল্লুগনি। অদুদগীদি মীপাল তাংবা হায়বদু ওইরকই। মীপাল তাংবদু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা মীগী মরোল, ফিজেৎ চাকচা খরসু শীজিন্নবা হৌরকই। হায়রিবসি চাওখৎপা পাম্লিবা খুন্নাইগীদা মশক থোকপা লাইরিক হৈরবা, লাইশুদি খঙদবা কাঙবু খরনা মীগী (চাওখৎপা খুন্নাইদুগী) মরমদা ইবা লাইরিক কয়া পারুদুনা লৌশিং তানশিল্লুবগী মহয়নি। অতৈ খরসু মানা মানা থোকপা মওংদা মতৌ তম্লকই। মীতোপশিংগী লোলশিং, লোলয়ান ওইনা শীজিন্নবা হৌরকই। খরা লৈরগদি মীরোলনা য়ানশিল্লবা ইরোল ওইনা শীজিন্নরকই। মীঙোন্দগী লৌশিল্লুবা লোলদুমক অমুক ওইহন্দনবা খরা শেমদোক শাজিন তৌরগা ইশাগী লোল মান্নবা হোৎনরকই। খুদমদি ইশা ইশানা খজিক্তং খন্থরগা য়েংবদা, করিনো অমা পাবদা, ঙাঙবা তাবদা শোয়দনা অদুম থেংনবিরক্কনি। মতাং চাবদা ইনাৎকী লোলসিদা লোনয়ান কয়াম য়াওবগে হায়বসি ইজরক্কে। মীগী মরোল লৌবদগী লোলদুনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফোঙদোক, ৱাখল্লোন কয়াসু ৱাইরুরগা পুশিল্লকই। অদুদগী অমুক মীতৌ তম্নিংলিবা মশানা চাওখৎলবা, হেন্না চাওখৎখ্রবা লৈবাকশিংগী, মীওই ফুরুপ্পুগী লোলশিং চাংদম্নবা হৌরকই। মসিনা মীতোপকী মীতৌ তম্নীংবগী থাক ৱাংখৎহল্লকই। মশানা মশাবু মীথোই মীহেনবনি হায়না খঞ্জরকই। অফাওবা অইবা অইবী কয়াগী মমালোন্দা ইবা ফজরবা ৱারেংশিং, শৈরেংশিং, ৱারীমচাশিং অশাংবা নুংশি-নুংওনগী ৱারীশিং-ফিদম্নীংঙাই ওইবা ৱারোলশিং উৎপা কয়া পারুবদগী মীতৌ খরা তম, ৱাখল খরা লৌ, মশাগী মপূং ফাদ্রিবা লোলনা ফোঙদোক্লবা হোৎনরকই। মীতোপকী থাক ৱাংবা পোথোকশিং উরুরগা, পারুরগা মীতৌ তম্নিংবগী ইথিল হেন্না ফাওরকপসিদি মখোয় অদুগুম্বা মীওইশিংদদি মহৌশানি হায়বা তাই। মখোয়না অমুক খনগনি অওনবা অহোংবা লৈতবা খুন্নাইদি চাওখৎতবা খুন্নাইনি। মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না অহোংবা, অওনবা হায়বসি পুরকপনি। অদুবু লুরিবদি করম্বা মায়োন্দা চাওখৎপা পুরক্কদোইনো হায়বসিনি।

অদুঙৈ পামহৈবা নিংথৌগী হাক্তক্তগী ইরমদমগী লাইনীং-লাইশোন, খুন্নাইগী চৎন-লোনচৎ কয়াবু নমথরগা-মাঙহনবা য়াবনা মাঙহল্লবা মতুংদা, মীরমচাশিংদা ইরমদমগী চনু নিংঙোল ফাওবা থাজদুনা চারৌ মৌরৌনবা কয়া তৌরকপসি নামুংবা থৌওং কয়ানি হায়বসি শিবা কিবা মীচম মীয়াম অয়াম্বনা হায়জবা ফাওবা ঙমখিদে। অদুদগীদি তঙাইফদনা মীতৌ তম্বদা হৈনখিবদুদগী হৌজিক ফাওবদা হালেংবা লৈতনা মখা তানা চথুরিবসিনি। নাকল অমরোমদা, মতম অদুদা শিবা কিদবা কয়ানা শিনি খঙনা খঙনা মায়রোং য়াখিবা মশক-মশা খঙবা-খঙদবা কয়াদুবুনি হৌজিক্তা মীতৌ তম্নিংদবশিংনা তশেংনা থাগৎনরকইবসি। মতম অদুদা মীথিবোং মীতম্বাল ওইখিবশিংদুগী চারোল শুরোলশিংদি খুন্নাইদা নোংমা নোংমগী লৈখা তারক্তুনা খুন্নাইগী অখাবা মীনোক খাংবা তারকপা শোয়দ্রবনি। মখোয়নদি খঞ্জরমগনি - মীতোপকী মীতৌ তম্বা হৈরুবদগী মীতোপশিংনা শকখঙ মায়খঙবিবা ওই। মীতোপ্না ইকায়খুম্নবিবা কয়াগী মহয় ওইনা মনা-মথুম, শকখঙ চে, মিংথোল কয়া পুরকপসি খুন্নাইসিদা মান্নবা কাঙবু মখোয় মশেল মরক্তা থাগৎনরি। মীতৌ তম্লগা ঙাঙবা, ফিজেৎ চাকচাদা শীজিন্নবা ফনা হৈরবসু অশেংবা মীওই কাঙলূপশিংনদি ইরায় লায়না খঙগনি - মীতোপ্না মখোয়গী মতৌ তম্লগা ঙাঙবনি, তৌবনি হায়বসি। মসিদি - কনাগুম্বনা ঐখোয়গী লোল অশেংবা, ফিচেৎ চাকচা মান্নবা হোৎনবদা য়াম্না ৱানা মান্নবা তৌজবদু ঐখোয়না ইরায় লায়না খঙবা অদুগুম্বনি। মীঙোন্দগী ৱায়রুবা লোল/ৱারীদা যূম্ফম ওইরগা, ইশাগী তশেংনা ওইবনি হায়না খঞ্জবা খরগা য়াম্না হৈশিংনা তোৎশিন য়ানশিন্নরগা পুথোকপা জগোয়, ঈশৈগী শৈশক, ফম্বাক কুম্মৈনচিংবা কয়া মীরমদা উৎলুবদা পোকপদগী য়াওজরকপা - মীতৈ/মৈতৈ মচাশিংদি, মরুওইনা নুপীমচাশিংদি - ইশাগী লোল ফজনা থোক্ত্রিঙৈদা মমানা, মচেনা, কনাগুম্বনা 'তাদিং' হায়বদা মশাগী তোমথিন নায়বা শাথেক-শাওং, মখূৎ তনৌবদুনা লেংলগা উৎথোকপা হৈজবদো মদুগী মতিক ময়াই অদুদি মাঙবা য়াদবনিনা মীমাং থোক্তুনা চাংদম্নরকপা মতমদদি করিনোমদি ফংবা তাবনি। মীতৈ/মৈতৈ মচাদি লাইগী মচানি হায়নবা লৈবনা ফাওগদবা মহাক্তুদি (নুপাবু ওইরবসু, নুপীবু ওইরবসু) মালেমগীদা অখন্নবা ফিদা অমা কনবা ঙম্বসিদি হৌনশানি হায়বদি শোয়দ্রবনি। শম্না হায়রবদা, মুকশন ওইনা মীমাংদা শক তাকপদু তৌহঞ্জনীংদবগী ৱাফমনি। লুরিবদি, মশাদি মুকশন ওইবদা/হায়বদা, মীতৌ তম্বদা চহী লিশাং শিৎনা হৈনদুনা লাকখ্রবনিনা, মশাগী হৈনবীদু থাদোকপা ঙমদবদগী মালেমগী খুন্নাইদা মীতৈ/মৈতৈ অশেংবা মশক উৎপা ঙমদবসিনি।

মালেমগী থাক্তা মীতৈ/মৈতৈ অরিবশিংনা করিগী চাওখৎলমদ্রিবনো হায়বগী মতাংদা ইচম চম্বা ৱাফম খরা থমজগে। চীংনা কোয়না পনশাবা, অৱাৎ অপা লৈতনা লাইরৈপাক্কীদা নুংঙাইবা হায়বদু ওইরম্বা মফম অমা ওইরম্বদগীনি হায়বা য়াই। মহৌশাগী ওইবা পোথোক মরাং কায়না লৈজরম্বা, ইনাৎকী লৈশেম্লোনগা শাগোন্নরকপা খোইয়ুম লাইশিং, মালেম শন্দোকখিবগী ৱারী ৱাখোঙ কয়া লৈরকপা অসিনচিংবননি হায়বা য়াই। মালেমগী থাক্তা অমুক য়েংনরকপা মতমদনা তাইবঙপানগীদা চোইজাইননা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীতোপশিংগা তোরোৎ খোদানবগী খুদোংচাবা খরা ৱাৎপগা লোয়ননা- হায়বদি চৎথোক চৎশিনগী খুদোংচাবা লম্বী-থোং, ঈশিংগী, নোংথক্কী ওইবা হৌজিক্তা লৈনরক্লিবা অসুম হায়না ওইবসিনা হৌজিক্তদি পাক চাউরবা মলেমগী লৈপাকশিংগী - অনৌ অনৌবা ইন্টরনেটকী, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী থিজিনবগী পোথোকশিং নোংমা নোংমগী চাংয়েংদি লেপ্তুবনিনা লেপ্পা লৈতনা মালেমগী খুন্নাইদা ওইরক্লিবা অওনবশিং - কোন্না চাওখৎনরকপা ওইরবসু মদুদা খোঙহৌ থিনবা হায়বসিনসু অতোপ্পা মরম অমনি হায়বা য়াই। অদুম্নদি ওইরবদা ইরমদমগী শাগোন্নদুনা লাক্লবা ফজরবা ৱাঙুলোন - হীরম অয়াম্বদা লৈজরকপসি ফাওনলোন ৱাৎপদগী মীরমদা পাকশন্না শন্দোকপা ঙম্নদবসিনসুনি। মতাং অসিদা অমুক পনবা, খন্নবা য়াবা মরুওইবা মরমদি - মীতোপকী অনৌবা লাইনীং লাইশোন চঙলক্লবা মতুংদা - অশেং-অমাং, শোক্ল-শম্নবা য়াদে, মালেমগী ফাওনলোন ওইরিবা ইংলিস লোন তম্বা য়াদে, তম্লবদি মাংই হায়দুনা ইন্থোকপা কয়া তৌবিবদগী য়েলহৌমী ওইনা লৈজরম্বা ঈগী মরীদা ফাওবা খায়বুং-খায়বুং তাহন্দুনা হীরম অয়াম্বনা নমথদুনা থম্নবগী থৌরাংশিং ময়াং মচা অমা/খরগী শরৌ লাং থাকখি। মদুদা মীতৌ তম্বা পাম্বা মীতৈ/মৈতৈ নিংথৌ পংথখি। হান্নদগী শাহৌ ফনা অৱাৎ-অপা লৈতনা লৈজরকপা লৈশেম্লোন, লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোন, শিন্নাইলোন, লাইনীং লাইশোন অমদি ঈরাৎ থৌনিরোল, হরাউলোন, শেন্মীৎলোন্নচিংবা কয়া খাঙুথক্তা মাঙ তাকহনখি। ইশাগী লেংদবা ইপোৎ ইরল কয়াদু মাঙহল্লমদবা থোক্লবদি মীতৈ/মৈতৈ মচাশিংসি হৌজিক্কী খুন্নাইসিদদি অমগা অমগা ইশম শম্নরল্লবা মতমসিদা লাক্লা-ফানা ঙমদবা হায়বদু তশেংনা ওইরমগদবনি। লাইগী মচাশিংনি হায়বসি মশানা অদুম তারমগদবনি। মসি ময়ামসি নমহৎনবা হোৎনবদা মরী শুক্লে লৈনদবা - মখোঙদগী মতোন ফাওবা শম্নবা য়াদ্রবা মীরম ময়াং লাইনীং, মখোয়গী মপা মপুগী মমিং মথা -মখোয়গী হৌরক্লোন কাউদনা মীতোপ্তা ফাওবা শন্দোক্লগা মসা-মরেং ফন্দোকহন্নবা পান্দমদা ময়াং তাৎ ওইনা তৌরম্বসি খঙনা খঙনা ইরমদমগী খুন্নাইসিদা শিখাং খাংদুনা - য়োংনা চু কোন্দুনা লৈবা অদুম হায়না তৌবসিনা মীতৌ তম্বগী থৌওং চথুরকপনি। হৌজিক্তনা অমুক অনৌবা মায়োন অমদনি হায়বা য়াই। মীরম (ফোরেন কন্ত্রি) দা মতমগী মহৈ মশিন তম্বগী খুদোংচাবা ফংনরকপদগী পূময়ান য়ামশিন্নবা মওংদা মীতৌ তম্বা হায়বা ফীভম অমদা লাক্লে হায়বা য়ারে। অদুনা ইরমদমগী খুন্নাইদা অশেংবা লাম্থেংনগদবা মরম য়ামই হায়না থমজগে। করি করিনো হায়বসিদি ইশা ইশানা মুন্না তিল য়োৎথবিদুনা খন্থবিরগা মথংগী তাঙ্কক ঙাইবিনবা তাঞ্জা ওইনা থমজরে। ●